HUEIYEN LANPAO
Tuesday, October 04, 2016, Imphal


# লমদমসিগী লুহোংবগী পোৎপাংদা আইনগী ওইবা মিৎয়েং

নন্দা দেবী

**লুহোংবদা** পীবা খুদোল নত্তবা অহেনবা অউনপোৎ পীবা নৎত্রগা লৌবা নৎত্রগা পীগনি হায়না ৱারেপনবা থিংনবা অমদি চৈরাক পীনবা আইন লৈ। দাউরি প্রোহিবিসন এক্ট হায়বা অসিনা মুস্লমানশিংগী চৎনবীদা পীনবা দাৱর নৎত্রগা মেহরনা নত্তনা নুংশি চান্নবগীদমক লুহোংবা মতমদা পীবা খুদোল নত্তবা অহেনবা পোৎলমশিং পীবা নৎত্রগা লৌবা অমদি পীননবা ৱারেপ্পবা মীওইশিং চৈরাক ফংনিংঙাই ওই হায়রি।

মণিপুরদা মরু ওইনা খুন্দারিবা ফুরুপশিংগীসু লুহোংবা হায়বসি তৌনৈ। লোয়ননা লুহোংবা নুমিৎতা ইমুং-মনুং, মরী-মতা, মরুপ-মপাং কয়ানা খুদোল পোৎ নৎত্রগা পোৎপাং ওইনা পীবা থায়নদগী অদুম চৎনরকই। অদুবু নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদদি লৈবাক্কী অঙম অথৌ অমদি নিংথৌগী ইমুংগী মচা নিঙোলশিং লুহোংবগা মীচমশিংগী মচা নিঙোলশিংগী লুহোংবদা পীবা খুদোল অসি য়াম্না খেন্নরমই। অঙম অথৌশিংগীনা তওৎ চামা, তমঙ চামা, ষণবী-ষণনাও, ফৌগৈ-চেঙ্গৈদগী হেন্দোক্তুনা মনাই মশন ফাওবা পীনরম্মী। অদুগা মীচমশিংগীদি শেৎন-ইন্নবা ফিরোল, কোল-লিক খরদং হাপ্পরম্মী। হৌজিক তৌনরিবা অসিগুম পাক্তক্লনা মতৌ তম্বগী চৎনবী লৈরমদে। লমদমসিগী ফুরুপ খুদিংমক্লা মসি চৎনরম্মী।

মতমগী অওনবনা লাইরিক তম্বগী চৎনবী, মী খুদিংমক মীওইবনি/ মান্নবা মওংদা লৈমিন্নবা নৎত্রগা হিংমিন্নবা য়াননবা চৎন-কাঙলোন শেল্লকপা অসিনচিংবা কয়ানা নিংথৌগা মীচম অমগগী মরক্তা লৈবা খেন্নবা অদুদগীদি থাঙ্গৈশেংনা কোমথোকখ্রে। মসি অওনবগী অফবা মমায় অদুনি। লমদমসিদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংগী মনুংদা মৈতৈশিংগী লুহোংবদা পীবা খুদোল অসি অসুক্কী মতিক অহোংবা উরে। চীংদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংগী ওইনদি লুহোংবগী খুদোল অদুক হাক্লা হোংদ্রি হায়বা য়াই। লমদমসিগী মীতৈ পাঙলশিংগীসু লুহোংবগী খুদোল অসি অহোংবা লাক্লে হায়বা য়াই।

অশম্বদা লুহোংবদা নুপী ময়ূমদগী পুরিবা পূন্নমক অউনপোৎ হায়বা অসিগা দাওরি হায়বা অসিগা মান্নৈ হায়না লৌরবসু মীতৈ নুপী অমা লুহোংবদা উনবা অউনপোৎ অসিদি পীয়ু হায়দবা নৎত্রগা লৌদবা য়াদেসু হায়নদবা মওংগী অউনপোৎনি। অদুনদি দাওরি প্রোহিবিসন এক্টনা হায়রিবা চৈরাক পীবা নৎত্রগা ফংগনি হায়বা মওংগী দাওরি অদুদি নৎত্রে। অমরোমদা হিন্দু লোদদি লুহোংবা মতমদা মমা-মপা, মরী-মতা, মরুপ-মপাংনা নুংশিদুনা পীবা পোৎ খুদিংমক নুপী অদুগী মপোৎনি হায়না লৌবনা মরম ওইরগা করিগুম্বা খায়নবা মতমদা নুপীদুনা লোয়না অমুক ফংগদবনি হায়রি। মসিমক এক্ট অসিদসু অদুম মান্ননা চৎলি। তৌবতবু এক্ট অসিনা হায়রিবনা ফ্রিজ, গাড়ী, অচৌবা শেনফম নৎত্রগা কা হেন্না মমল য়াম্বা পোৎলমশিং নুপা ময়ূমনা পীদবা য়াদে হায়রবা নৎত্রগনা নুপী ময়ূমনা অসিগুম্বা পোৎলমশিং পীগে ইচানুপী লুহোংবদা হায়নরগদি আইন অসিনা



চৈরাক পীবা য়াই হায়বনি। অদুগা মীতৈ নুপীশিং মীতৈ নুপাদা লুহোংবা মতমদদি হায়রিবশিং অসি শুকশোয় শোয়দনা য়াওদবা য়াদবগী চৎনবী ওইহল্লি। অমরোমদা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি নুপী ময়ূমনসু য়াওনবা পীননবা হোৎনৈ। নুপা ময়ূমনসু হায়রিবশিং অসি য়াওরক্তুগদি মপূক্লিংদা থরুম তৌই। চৎনবী খঙদবা ওইনা উই। ইমুং অমদা মচা নুপা অমদগী হেনবা ওইরবদি অউনপোৎ হন্থনা পীরকপা মৌ অদুবু খরা হন্থনা খন্নৈ। অদুনদি ঐখোয়গী চৎনবী অসি অফবগী শরুক হন্থৈ হায়বা য়াই।

অমরোমদা মীতৈ খুন্নাইদা লন-থুম মরাং কায়বা ইমুংদি মশীং য়াম্না হন্থরি। মপানথোংগী উরিবা খরা অসিনা লন-থুম মরাং কায়বা খুন্নাইনি হায়না লৌবা অরানবা ওইগনি। নুপীগীনা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স, নুপাগীনা দাইভোর্স হায়বা আইনগা মরী লৈনবা ৱায়েলশঙদা লৈরিবা কেসশিংগী মনুংদা অউনপোৎকা মরী লৈননা থোক্লকপা কেসশিং য়াওরল্লোয় হায়না খল্লুবা চুল্লোই। মরম অসিনা

অউনপোৎকী চৈথেং অসিনা খুন্নাই অসিগী তুংগী মীরোলদা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা চৈথেং পীগনি হায়বা ৱাখল অসি মুন্না নৈনহৌবা য়াই। দাওরি পীবা অমদি লৌবা নৎত্রগা পীগনি হায়না ৱারেপ্পবা অদুগীদমক আইন অসিদা য়ামদ্রবদা চহী মঙা নৎত্রগা লুপা লিশীং তরামঙাগী ফাইন থিবা য়াওনা ফাদোক তাহনবগী চৈরাক ফংবা অদুদগী নান্থোক্লবসু ঐখোয়গী অউনপোৎ পীবগী মওং অসি অতুম্বা মৈগী চীংগুম্বনি হায়না লৌবা য়াই।

মৈতৈ খুন্নাইদা মচানুপীগী অউনপোৎকীদমক ময়ূম ইস্থোল য়োনবা, অতোপ্পদগী শেল ওইনা পুশিনবা নৎত্রগা নমথাক তৌদুনা পোৎ য়োল্লিবা মফমদগী লৌবা অদুদগী শেন্দোল শিংবা ঙমদবদগী ওইদবা ঙাঙবা, ময়ূমদা ফোংনা লৈবা ঙমদবা কয়া য়াওনরি। অসিদা নত্তনা লুহোংবা মতুং থা অমা অনীগী তুংদা নুপা ময়ূমদগী টি ভি, ফ্রিজনচিংবা দুকান মপুনা নৎত্রগা শেল পুথোকপা মীওইশিংনা থাংদুনা পুখিবগী ৱারী কয়া তারি। পূন্নমকসি য়েংলুরগা অউনপোৎকা মরী লৈননা অমাঙবা কয়া লৈরে হায়না লৌবা য়াই। অমরোমদা খঙন-চান্নবশিংদা নমদুনা মমল য়াম্বা পোৎ পাঙহন্নবা হোৎনবা/পাঙহনবা অমদি মশাগী শেন্থোক লৈত্রিবা মরুপ মপাং কয়ানসু চৎনবী ওইনা মমল য়াম্বা পোৎপাং পীবগী চৎনবী ওইরক্লি। মসিমক অফবা মওংগী অহোংবা নত্তে। অউনপোৎকা মরী লৈননা ক্রাইম কয়া থোকপদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী মখাদসু চৈরাক ফংহন্নবা সেক্সন কয়া য়াওরি। লমদমসিদা থোক্লিবা লুহোংবা কুইদ্রিবী নুপী কয়া চিংননিঙাই ওইবা মওংদা শিবগী পাউ তারি। ময়ামসিগী মনুংদা অউনপোৎকা মরী লৈনবা য়াওরল্লোই হায়নিঙাই লৈতে।

অরোইবদা হায়জনীংবদি আইন্না পীবা মান্নবা হক কয়া লৈরবসু মী অমবু নৎত্রগা খুন্নাই অমবু নিংহন্নবা নৎত্রগা মাঙথরক্লবা ওইবা থৌওং ওইরবদি মদু মান্নবা হকনি হায়না লৌবা য়াদে। হায়বদি মতৌ তম্বা হায়বসি অফবা অদুমক তম্নবা হোৎনগদবনি।

# মহৈ তম্বদা মতম লৈতবগুম আর্ট তৌবদসু মতমগী থোইদোকপা লৈরমলোইদ্রা খল্লি ঃ বেমবেম পাওনম

— ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম —

**ঙাউবা** হায়বসি মীওইবা খুদিংমক্তা লোইনদুনা লৈবা মগুন অমনি। ঙাউবা মখলদি অমগা অমগা মান্নদে। ঙাউবদগী মালেমনা শক খঙনখিবা, ঙাউবদগী ইনাক খুনখিবা, ঙাউবদগী থৱায় থাখিবা কয়ানি। ঙাউদনা মীওইবা অমতা মী ওইবা ঙল্লোই। থবক অমত্তা মায় পাকপা ঙল্লোই। শগোলশেম নিঙোল বেমবেমসু আর্ট এন্দ কলচরদা ঙাউজরকপীনি অঙাং পীশক ওইরিঙৈদগী।

অপোকপা অপোকপীনা হায়, বেমবেমসি চাউরক্লগা থোক্লবা অমা তৌরক্লি হায়না লৈকায় মীয়াম্না ঙাঙনৈ। ঈশৈ শকপা, জগোয় শাবা পাম্না হৌরকই। অদুবু লমজিং লমতাকপীনবা খরা ৱাৎখিবনা মশক নাইবা মীদি ওইবা ঙমদ্রি। আর্টপুদি নুংশিরি ঙসিসু। ঙাউজরি লেপ্তুনা। অঙাং ওইরিঙৈদা পামজখিবা কয়াদো ঙসিদি মৌ ওইরবা মতমদা নৌনা অমুক শাফোঙবা হৌরক্লে। মণিপুরী দিজিটেল ফিল্মশিংদা সপোর্টিং এক্টর অমা ওইনা মীয়াম্না পান্নরক্লিবী বেমবেমগী এক্টিংশিং মীয়াম্না শক খঙবা হৌরক্লে।

শগোলশেম বেমবেম কুমজা ১৯৮২ গী মার্চ ৯ দা কৈরাও লংদুমদা পোকই। অপোকপগী মীং এস থোইবা অমদি অপোকপীনা থম্বালমচা কৌই। মচিন মনাও মরিগী মনুংদা মহাক্লা অনীশুবীনি। মহাক্লা পামজরিবা আর্ট এক্টিংগী লম্বীসিদা লৈকায়গী মখুরা থোকপা কে বি ইঙারেম্বগী লমজিং মখাদা পান্থোইবী ফিল্ম ইনষ্টিট্যুটতা মখল খুদিংগী আর্টশিং তম্বা হৌরকখি। মসিগী মথক্তা ফিল্ম এক্ট্রেশ ধনমঞ্জুরিদা আর্ট এক্টিংগী মখা তাবা লৌশিং লৌনবা হোৎনরি।

কুমজা ২০০৩ দা পান্থোইবী ফিল্ম ইনষ্টিট্যুটতা চঙদুনা ফিল্মগী কেমেরা মমাঙদা এক্টিং তৌবা অমদি থিয়েটরগী লমদা তৌগদবশিং তম্বা হৌরকখি। শক্কা কেমেরাগা চান্নবগী মথক্তা মহাক্কী থৱায় য়াওবদু উবদা টেলিপ্লে অমদি সোর্ট ফিল্ম কয়াদা শরুক য়াবা হৌরকই।

মতম অমদা আই এস টি ভিদা মীয়াম্না পাম্নখিবা টেলিপ্লে য়ূমগী মৌদা মহৈরোয় অমগী শক্তম লাংখি। পল অমনা হায়রিবসিদনা মুসলিম নুপী অমগী শক্তম লাংখি। টেলিপ্লে অনীমক পান্থোইবী ফিল্ম ইনষ্টিট্যুটকী বেনর মখাদা কে বি ইঙারেম্বনা দিরেক্সন পীবা ঙাক্তনি। মসিদা নত্তনা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম কয়াদসু অপীকপা রোল কয়াদা শক্তম লাংখি।

স্কুলগী থৌরম কয়াদা শরুক য়াবগী মথক্তা শান্নবদসু থৱায় য়াম্না য়াওরকই। ফিল্মগী লমদা মহাক্লা পামজবসিদি করি হায়রুনি। পুন্সিগী খোঙচৎ খুদিংমক্তা মহাক্তি ফিল্ম ওইনা খল্লকই। মমা-মপাগা, মচিন-মনাও অমদি লৈকায়গী মমান্নবশিংগা ৱারী শান্নবদা ফিল্মগী দাইলোগ তৌই, ফিল্মগী এক্টিং তৌবদা হৈজবা পূন্নমক পুথোক্তুনা তৌই। অদুবু কনাগা পুল্লগা, কনাগা তিন্নরগা ফিল্ম য়াওগনি হায়বা খঙদবদগী ফিল্ম কুমগে হোৎনরিঙৈ খঙনজবা নুপাগা ফিল্ম এক্টিংগী মওংদা য়ূম্বাল লম্বীদা খোঙদারকখি। কুমজা ২০০৭ তা ক্বাকৈথেল মখা থোকচোম লৈকায়দগী পাওনম প্রেমজিৎকা পুন্সি লম্বীদা খোঙদামিন্নখি। নুংশিরবা লালঙম্বা (চহী ৮) অদি চুমথাং (চহী ৩) গী অপোকপা অপোকপী ওইরে। শগোলশে বেমবেমনা পাওনম ওনখিবসিসু ফিল্ম ওইফম থোক্লে। মরমদি বেমবেমনা পুন্সিবু ফিল্মনি খল্লুবননি।

ফিল্মদা ঙাউজবা বেমবেমগী মরাইবক ফবা হায়গদ্রা মহাক্কী মপুরোইবা প্রেমজিৎনা মহাক্কী অপান্থদা চৎচনবগী অয়াবা পূন্নমক পীবিরে। মসিগী মথক্তা মপুরোইবগা মহাক্কা নুতি-নুমিৎ খুদিংগী আর্ট এক্টিং তৌনবা, দাইলোগ তম্বীবনা ইরুনীংবগা থোংগ্রা তেকপগা হায়বদু থোক্লে।



বেমবেম পাওনম

বেমবেমগী মপুরোইবা ব্যুজিনেসমেন অমা ওইরবসু মহাক্কী নুপীবু ফুল সপোর্ট তৌবনা শুটিং মফমদা থিনবীবা, লৌবা লাকপীবগী থবকসু তৌবিরি। লৈশারিঙৈদা উৎথোকপা ঙল্লমদবা কয়া মৌগী শীংদা চল্লবা মতমদদি মপূং ফানা উৎথোকপা হৌরক্লে। মণিপুরী ফিল্মগী তাইবঙদা বেমবেমগী মমিং তপ্না তপ্না পনবা হৌনরক্লে। মহাক্কী এক্টিং ৱাহৈ ৱাতাদা মীয়াম্না শিংথানবা হৌরক্লে।

গীতাঞ্জলি ফিল্ম প্রদক্সনগী জীতেন খাঙজ্রাকপমনা দিরেক্সন পীবা 'তম্নলাই' হায়বা ফিল্মসিদসু মেমি কৌবী সপোর্টিং রোল অমদা শরুক য়ারি। কোটিপ ফিল্মসকী অনীশুবা ফিল্ম 'সি ওইরদি কাপ্পী হে' দসু লৈশাবী অরিবী অমগী শক্তমদা এক্ট তৌরি। জীট মঙাংনা দিরেক্সন পীবা ফিল্মসিদসু মীয়াম্না বেমবেমগী আর্ট ময়েক শেংনা খঙগদৌরি। মায়া ফিল্ম প্রদক্সনগী 'লাংলেন' ফিল্মদসু মহাক্কী চৌবা ফিদা অমা কনগদৌরি।

জীট মঙাংগী খ্বাইদগী নৌবা সোর্ট ফিল্ম 'পিরাংগী লমন' না বেমবেমগী অনৌবা মাইথোং অমদি ওইদৌরি। 'তাদ্রবরা কপলিবসে ইমানা' কৌবা ওকেন্দ্রো খুন্দোংবমগী ময়েক্তা এস পি ইঙোচাগা কো-এক্ট তৌমিন্নবা ভিদিও এলবমসি মহাক্কী পুন্সিদা খ্বাইদগী কি হঙ্গোইনা নমখিবা ফিল্মনি। অদুগা খ্বাইদগী নুংঙাইখিবা এক্সপরিএন্স অমসুনি। এলবম অসিনা মণিপুরগী ভিদিও এলবমদা অনৌবা মায়ওন অমা পুরক্কদ্রা হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি। মায়া ফিল্ম প্রদক্সনগী মখাদা পুথোক্লিবা এলবমসি মহাক্কী ওইনা খ্বাইদগী শিংথাজবা অমনিসু হায়রি।

এক্ট্রেস বেমবেমদা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্লা হায়, ফিল্মগী আর্টিষ্ট অমা ওইবদি পীক্লিঙৈদগী হৌনা পামজরকই। মশক থোকপা মফম মতমগা চানদবা হায়গদ্রা মহাক্কী মরাইবক্তা তল্লমদব্রা খঙদ্রে লৈশারিঙৈদা পামজবা আর্টকী লমদা খোঙদাবা ফংখিদে। পামজবনিনা হৌজিকসু অদুমক তাইবঙসিদা ম্যেন করেক্টর ওইবা ওইদবগী থোইদোকপা লৈতে। ঐনা তৌজরিবা খরা মীয়াম্না পান্থীবগা লোয়ননা য়াবিবদুনি। মহৈ তম্বগী মতম অকক্লবা লৈতে। তল্লীবমখৈ লোইবসু নাইদে হায়নবগুম আর্টকী লমদসু ওজাশিংনা মসিগী পনখৈ লৈতে হায়না তাকপী। মসিনা মরম ওইরগা ঐগী পুন্সিসু হিংলিমখৈ ফিল্মদা খোঙদাখিগে খল্লি। মীয়াম্না পান্থীবা পান্থীদবা হায়বদুমদি খঙদ্রে হায়খি।

বেমবেমনা মখা তানা হায়, মহাক্লা খ্বাইদগী পামজবা কেরেক্টরদি কোমেদি ওইবা, মীয়াম্না রিএলিটি ওইনা ফাগী তৌবদুনি। পামজবা আর্টিষ্টতি গোকুল অমদি মন্দানি। পামজবা ঈশৈশিংগী মরক্তা হিজম ইরাবতনা ইরম্বা 'থাঙ্গোল অদু ময়া থাংউ থৌনা' হায়বসিনি। মণিপুরদা ফিল্মগী খোঙজেল য়াংখৎলে হায়না মীওই খরনা ঙাঙনৈ, খরনা শিথরে হায়বগী মতাংদা হংবদা মহাক্লা হায়, চাওখৎলিব্রা শিথরিব্রা খঙদে। চহী অমদা মণিপুর ফিল্ম ৭০/৮০ পুথোক্লে হায়না হরাউফম লৈতে। ফিল্ম উৎনবা সিনেমা হোল লৈত্রিবসিনি মরুওইনা খন্নফম থোক্লিবসি। নম্বা লোইরগা মীয়ামদা য়েংহনবা ঙমদ্রবদি করি কান্নগনি। পীকখ্রবা ফিল্মগী কৈথেলদা য়েংফম লৈতবসিনা চাওখৎপা নৎত্রগা শিথবা হায়বদুদি মীয়াম্না, লৈঙাক্লা লেপ্পীরনি হায়খি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## ভোট্টা লৈরে পূম্বা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হৌখিবা** ওগষ্ট থাদা সেনিয়র সিটিজন ফোর সোসাইটি (এস সি এস) না শিন্দুনা লময়ানবা শঙলেন্দা মথং চহীদা পাঙথোক্কদবা এসেমব্লি মীখল ফ্রি এন্দ ফেয়র হায়বদি মীখলদা নত্তবা পান্থৈ মরু ওইনা পৈশা অমদি তাকু-তরাংগী শক্তি শীজিন্নহন্দনবগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফমদুগী পান্দমদি মণিপুর - মপু পান্দবা, চৎন-কাঙলোন লৈতবা, শক্তি পায়বা তৌবা ঙম্বা মীনা তৌনিংবা তৌবদা ঐখোয়না উপায় লৈতনা য়েংদুনা লৈবা, মসিনা ঙসিদি অকনবনা অচুম্বা ওইরকপা, লায়র-ইনাক খুনবগী অনেম-অৱাং কা হেল্লকপা, অদুগা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লক্লিবদি হৌগৎলক্লিবা ইচা-ইশুশিংগী তম্বা ঙমদবা মরাইবকসিনি । মরমদি চৎন-কাঙলোন লৈতবা, অঙম-অঙম্বা শেৎ-শেৎতুনা চানবগী চৎনবী অমা পীকখ্রবা খুন্নাইসিদা ঐখোয়গী মীহুৎ লুচিংবশিংনা কন্না হৌদোক্লকপসিনি। পংকুই কুইদ্রিঙৈদা অঙাংশিংদা মী ওইননবা লাইরিক কন্না তম্মু হায়রম্বদু ঙসিদি মদুগী ওন্ন-তৈনবদা ফল লাক্লে। তাকু-তরাং তৌদুনা শক্তি পায়বা, তৌবা ঙম্বা মীগী মতুং ইন দুনা ঠিকা তৌবা, ৱাচৎ-ৱানোম তৌবনা নুংঙাই-য়াইফবা ওইরক্লে। কৈরোয় লৈকায়নসু ইকায়খুম্নরে, সোসিএল ৱার্করসু ওইবা য়ারে।

লুরিবদি য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওইবা মওংদা খুন্নাইসিদা চৎনরক্লিবা মচৎসিনা চহী ২০০০ গী মথক্তা পুৱারী লৈরিবা, স্পোর্টসতসু য়াম্না ফবা কলচরদসু চাওখৎলে হায়রিবা, লাইরিক হৈবগী চাংসু ৱাংইবা ঐখোয়গী ফুরুপ অসি মরু ফংনা মুৎননবগী অহৌবা পড়ানি অমসুং কাঙলুপ অসিবু তুম্না মাঙহল্লকপা য়াবা কেন্সর লায়নাগুম্বনি হায়বদা লানগদ্রা? লায়না অসিদগী কনগে হায়রবদি লৈবাক্কী লুচিংবা ওইরিবা মখূৎতা শক্তি পূম্বা পায়রিবা ঐখোয়গী মীহুৎশিং অসি ভোটতা ৱারকপা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে। লোসু মখোয়না শেম্বনি, লৈপাকসু মখোয়না চলাইবনি, লৈপাক মপু পালহনবা পালহন্দবসু মখোয়গী লীলানি, চৎন-কাঙলোন লৈহনগে-লৈহনলোইসু মখোয়গী মনিংনি, থৱায় য়াওনা লাইরিক তম্লুবা ইচা-ইশুশিংগী লম্বী মাঙহনবিগে-মাঙহনবীরোইসু মখোয়গী থৌজালনি। এস সি এসনা শিনবীখিবা মীফমদু মসিশিংসি খঙমিন্নদুনা ঙসিদগীদি লৈবাক মীয়াম ঐখোয় ভোট য়োল্লগুমসি হায়বনি। মসিগীদমক এস সি এসবু য়াম্না থাগৎচরি অমসুং শৌগৎচরি।

অমরোমদা, শাইজিন তাইনরিবা আসাম, মিজোরাম, ত্রিপুরানচিংবনা মীহুৎ খনবা, ভোট থাদবা হৈরগা চহী ২০০০ গী মথক্কী পুৱারী লৈবগী চাওথোকচরিবা ঐখোয়না করিগী হৈতবনো। মসিমক্লনি পেন্দদুনা এস সি এসকী সেক্রেটরি খাইদেম মনিনা 'ঐখোয় প্রজা শক্তা' হায়দুনা হেক হেক তেংথারিবদু। লাই হাক্তক্তগী লৈরম্লবা পাউরৌ 'ইকায় খঙদবগী হীদাক লৈতে' হায়বদু ঐখোয়দা হায়হল্লগুমসি। মরম অসিনা লৈবাক মপু পালহনগে-পালহল্লোই, চৎন-কাঙলোন লৈহনগে-লৈহনলোই, ইচা-ইশুশিংগী লম্বী মাঙহনগে-মাঙহল্লোই অসি পূম্বা শান্নরিবা ঐখোয়গী এম এল এশিং লাইনা থারকপা নত্তে ঐখোয়না খনবনি। হৌখিবনা হৌখ্রে মাংদা তারিবা মীখল অসিদদি লৈবাক্কী থবক ঙমগদবা মিৎয়েং শানবা মীদা ভোট পীসি। হান্নগুম্না ভোট য়োন্দুনা অমুক হন্না ইচা-ইশুশিংবু নোরোক্কী কোমদা লংথরগুমসি।

মতাংসিদা পঞ্জনীংবদি হন্দক্কী কুমজা ২০১৭ কী ভোটসিদি ফুরুপ অসিগীদমক্তদি অরুবা লানফম অমদা থোক্লুরে। মরমদুনা মতিক চাবা মীদা ভোট পীননবা মায়কৈ কয়াদগী পাউজেল পীনরিঙৈ চৈরক্তা কেন্দ্র খরদা ভোট লেপনিংবা মীওই খরনা মীয়ামদা দানবির কর্ণ শাদুনা হৌজিক্তগী হৌনা সোসিএল সার্ভিসকী মীংদা শেল-থুম থাদদুনা ভোটতি ভোটনি কাহৌরগা লোইরে, লৈবাক্কীদমক্তদি লাইনা তম্বা অমা লৈজরম্মনি হায়দুনা মীচম মীয়াম্বু মথুম-মরাং হৌহন্দুনা খোল্লকপা ফুরুপসিগীদমক্তদি লাইবক থিবনি।

মরমদি কুমজা ২০১৭ তা ভোট কাবা এম এল এশিংনা চুম্না থক্ল-চানবা চেঙ-চাক, ঈশিং-মাইশিং, লৈরক-কোন্সাংনচিংবা নুংঙাইহনবগী মথক্তা থেংনগদৌরিবসি মমাঙগী লৈঙাকপশিংগী খঙদ-হৈতবা থৌশিলদগী ওইহল্লকপা কাং-খোং চাইবগুল্লবা লৈবাক্কী ফীভম-মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা লৈবাক কায়নীংঙাই ওইবা মওংদা চীং-তম মুক্লরকপা, ফুরুপ ৩৫/৩৬ লৈবা লৈবাকসিদা মীতৈখক তোঙান তাশিল্লকপা, তম্পাক্কী মী ঙায়োক চফুগী ৱারী মাল্লকপা, লৈবাক্কী থবক থৌরম খুদিংদা 'নখোয়গী মায়োক্তা ঐখোয় লৈ' হায়বা মুক্লরকপগী হৌরকইবা ঈহৌ, মসিগী মথক্তা ত্রিপুরাদা থোকখিবগুম কুমজা ২০১৮/১৯ দা ত্রেন চঙলকপগা ইরোয়ননা ইরমদা ঐখোয় মাইনোরিটি ওইরকপা য়াবা কয়া অসিবু থেংনদুনা লৈবাক্কী মরাইবক শোয়দনা লেপ্পীগদৌরিবনি। অসুক লুবা লানফমসিদা ঐখোয়না শেল-থুম খরা ফংহৌরগা লোইরে নৎত্রগা মহাক্লা চেবাউ হানখ্রে হায়দুনা লৈঙাক কাঙলোন খঙলোইদবা, ভিজন য়াওদবা মীদা ভোট পীরবদি ইশাগীদা নত্তনা ইচা-ইশুশিংগীসু মঙ তৌবনি অমসুং ফুরুপ অসিবুসু মুৎননবা শিনবনি হায়বসি য়ানিংদব্রা? চৈরকসিদা পোলিটিকেল পার্টি খরনা শেগাইবা হৌরক্লবা মণিপুরগী খুন্নাই সোসিএল ফেব্রিক অসিগী মতাংদদি তুমিন লৈরগা, চে খক্তদা ঙাইশিল্লক্লবা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিগী মতাংদা পংহুন হুন্নবা লৈবাক্কী অফবা ওইরোই হায়জনীংই।

অরুবা লানফমসিদা সি এস ওশিং, মৈরা পায়বীশিং, লৈকায় ক্লবশিং অমসুং লৈবাক্কী য়াইফনবা খনবা পূম্বা লৈথক-লৈখা তুনা চৎমিন্নগদবা তানফম নত্তব্রা? ঐখোয়দি লায়রদনা মনমদা লাইরিক পোরিবা ইচা-ইশু মহৈরোয় ফাওবা লমজাও শোরোক্তা ফুরুপ কন্দবা য়াদে হায়দুনা লাইরিক তমদবা মখৈ, লেপ্পা লৈতনা মপান্দগী মীতোপ চঙশিল্লক্লিবসি থিংননবা আই এল পি চৎনহল্লু হায়দুনা পুলিস থেংনবদা শোকপা-শিবা কিদনা চঙশিল্লি। মশ্বাইদা ঐখোয়না নীংশিংগদবসি থোক্লিবা প্রোব্লেম - থৌদোক ৱাথোকশিংসিগী ৱারোইশিন মীহুৎ লুচিংবশিংনা পুরকপা নত্তনা সোসিয়েল ৱার্করনা, সি এস ওনা নৎত্রগা মৈরা পায়বীনা পুরকপা য়ারোই। এসেমব্লিগী ভোটতি ম্যুনিসিপালিটিগুম্বগী লৈরক-খোংবানগী ভোট নত্তে। নরেন্দ্র মোদি নৎত্রগা রাহুল গান্ধী পুথোক্তুনা ভোট খোম্বগী মহুত্তা ভোট লেপ্পিংবশিংনা ঐখোয়না মায়োক্ল রিবা প্রোব্লেম - ৱাথোক ময়ামসি মীয়ামদা লোজিকেল্লি খঙহন্দুনা নহাক্লা ভোট কারবদি করম্না ৱাথোকশিংগী ৱারোইশিন পুরক্কদগে হায়না মীয়াম মমাঙদা খন্ন-নৈনবিদুনা ৱাখল তামিন্নরবদি মীয়ামগীসু মমিৎ-মমায় ওইগনি, নহাকসু লুচিংবগী ঈজৎতু ফংগনি।

মরম অদুনা ঐখোয় ঙসিদগী ইশাগী অমদি ইচা-ইশুশিংগী অমসুং লৈপাক্কী য়াইফনবগীদমক্তা ফীরেপ লৌবগী মতম ওইদ্রিব্রা? মরমদি এসেমব্লি ভোটতগী হেন্না লুবা লৈতবনি, ঐখোয়না পীরিবা ভোটনা ঐখোয়গী লাইবক লেপ্পনি। করিগুম্বা খন্থহৌদনা ভোট য়োনখ্রবা পি এম নরেন্দ্র মোদি থমখো, ফুরুপসিবু লানফমদগী কনবিবা লাইমক্লসু ঙল্লোই।

*অদোমগী - লৈশাংথেম দিজেন*

মরোল থোকপা লাই

